

# সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)

ঙরাং মণিপুর স্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা শুমাঙ লীলাগী লময়ানবা লৈখিদ্রবা সামোম কৃষ্ণমণি (চন্দ্রমুখি শাবী) গী মফমদা লৈ কত্নুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা



ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ৱার্ক চার্জ অমদি মষ্টররোলগী ইমপ্লোয়ীশিংনা রিগুলর তাহল্লু হায়দুনা ঙরাং ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট কৈশাম্পাৎতা ৱাকৎ মীফম চৎখিবা

ইন্দিষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা মণিপুরগী খুৎহৈবা–খুৎহৈবীশিংদা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মনা মথুমশিং পীখিবা



Vol : 40 Issue : 183 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal Friday, February 28, 2014 ইরাই, ফাইরেনগী ২৯ নি পানবা E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00

# সিক্স পে কম্মিসন খুদক্তা পীথোকপা য়াই অদুবু লৈবাক্কী দিভলপমেন্টশিং লেপশি শিগনিঃ চিফ মিনিষ্টর

এস এন এস

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ মণিপুর সরকারনা তাল্লিবা সিক্স পে কম্মিসন অসি ইন টোটোদা পীথোকপা য়াই অদুবু ষ্টেটকী ইনকম মতিক চাদবা মরম্না কর্ম্মচারিশিংদা সিক্স পে পীথোকখিবা তারবদি ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা দিভলপমেন্টকী থবকশিং লেপশি শিবা তাবনি হায়না ঙসি চৎখিবা এসেমব্লিদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ শ্যামকুমারনা থাঙ্গৎলকখিবা কোল্লিং এটেন্সন মোসনগী পাউখুম ওইনা ফোংদোকখ্রে।

পাংথোকখিবা সেসনগী কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমদা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ শ্যামকুমারনা থাঙ্গৎলকখিবা হিরম অমগী মতুং ইন্না মণিপুরদা সিক্স পে কম্মিসনগী ইন টোটো মতুংইন্না কর্ম্মচারিশিংদা তলব পীথোকখ্রবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা এক্স চেক্করদা পৈশা অমত্তা লৈহৌদদনা সেন্টর স্পোন্সর স্কিমশিং লেপশি শিগনি হায়না হাউসকী লিদর চিফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী লিদর চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক মণিপুর ষ্টেট অসিদা লাক্লিবা ইনকম অমদি চৎখিবা খরচ অসি ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিংদি শোইদনা খঙলমগনি।

মণিপুরগী ওইনা এক্স চেক্করদা নন প্লানদা চহি অমদা লুপা ক্রোর লিশিং ৫ হাপ্লিবনি । মসিগী মনুংদা চাদ ৮০ দি সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী থাগী তলব পীবদা শিজিন্নরি। অদুগা লেমহৌরিবা চাদ ২০ অদুনা সরকারগী ওফিসিয়েলশিংগী গাড়িগী থাউ হাপ্পা অমদি লন্থী শেন্স্বনচিংবশিংদা শিজিন্নরি।

করিগুম্বা দিপার্টমেন্টশিংনা তাল্লিবা সিক্স পে কম্মিসনগী ইন টোটো অমদি মখোয়গী দিমান্দশিং পীননবা সেন্টর স্পোন্সর স্কিমশিং এনইসিপি অমদি এনএলসিপিআরনচিংবশিংদগী শেনফমশিং কায়থোক্লগা পীথোকখ্রবদি লমদম অসিদা পায়খৎলিবা সেন্টর স্পোন্সর স্কিমশি অসি লেপশি শিবা তাবনি।

কর্ম্মচারিশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং অসি পীথোক্লবগীদমক ষ্টেট অসিগী এক্স চেক্করদা লুপা ক্রোর ৩০৫ গী দরকার লৈগনি। হায়রিবা শেনফম অসি লাক্লবগী মরম লৈত্রবদি মতৌ করম্না দাবী পীথোক্কনি। মখোয়গী দাবী পীথোকপদি মীকুপ অমদা সহি তৌরগা পীবা য়াবনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী দিভলপমেন্টকী থবক কয়া পায়খৎলিবসি অদুমক মাংবা তাবনি।

করিগুম্বা হাউসকী মেম্বরশিংনা মণিপুরগী এক্স চেক্করগী একাউন্ট অসি নিংথিনা ফম্মিন্নরগা য়েংলবদি পুন্নমক খংবা ঙমগনি হায়খি।

করিগুম্বা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনদগী শেনফম অসি ইন টোটোদা লাক্লবদি মণিপুরদা বেন তৌরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী তোঙান–তোঙানবা পোষ্ট লিশিং ৫ রোম লৌবা য়াগনি। মসিদা মাষ্টররোল, কন্ট্রেক্টনচিংবা য়াওগনি। মসিগী মথক্তা এমপিএসসিনা মণিপুর ফাইনান্স কম্মিসনগী দরকার লৈবা পোষ্টনচিংবদি চহি খুদিংগী এমপিএসসিগী পরিক্ষা পাংথোক্তুনা লৌদুনা লাক্লি হায়নসু হাউসকী লিদরনা ফোংদোকখি।

অনিশুবা কোল্লিং এটেন্সন মোসন ওইনা এমএলএ আই ইবোহলবীনা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমদা হৌখিবা চহিগী ওক্তোবর ১৩ দা চঙাঙ্গেগী সিআইএসএফনা গার্দ তৌরিবা টুলিহল এয়ারপোর্টকী মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা এমপিপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ মণিসনা অমদি থা অসিগী মনুংদা থোকখিবা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ শ্যামকুমারদা নোংমৈনা কাপ্তুনা এটেক তৌরকখিবগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমা পুখৎলক্তুনা হাউসতা থমখি।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা ষ্টেটকী হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্না ফোংদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা এমপিপিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ মণিসনা মহাক্না লৈখিদবা মতম অদুদগী থা অনিগী মমাংদগী মহাক্না চৎলিবা মফম খুদিংমক মফম মফমগী পুলিস ষ্টেসনশিংনা মহাকপু সেক্যুরিটি পীদুনা মহাক্কী মুভমেন্টশিং চেকশিন্না ঙাক শেনখি।

মহাক লৈখিদবা নুমিৎ অদু মহাক্না মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা পাউ পীরমদবা মরম্না মহাক্কী মুভমেন্ট অদু পুলিসনা খংহৌদবা মরম্না মহাক্কী

মখা লাঃ ৫, কলম ৫দা

## প্রাইমারি স্কুলশিং ফগৎনবা স্পেসিয়েল নিদস কেটেগোরিদা চলহনবীয়ুঃ কিষন

এস এন এস

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ঃ মণিপুর সরকারগী স্কুলশিং প্রাইভেট স্কুলশিং–গা চাংদম্নবা য়ানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা শেমগৎপা ঙম্নবা স্কুলবু স্পেসিয়েল নিদস কেটেগোরিদা চলহন্দুনা দাইরেক্ট ইনোভেটিব ফন্দগী থৌরাং পায়খৎনবা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এমএলএ জয়কিষন না ঙসি চৎখিবা এসেমব্লিদা পুখৎখ্রে

এমএলএ জয়কিষন না মখা তানা, স্কুলশিংগী চিয়ারমেনশিং মরী লৈনবা এমএলএশিংনা ভিজিট চৎপা মতমদা স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপগী কমপ্লেইন্না ভিজিট চৎপা ঙমদ্রে। য়াম্না মরু ওইনা ইম্ফাল সহরগী ময়োলমক্তদা লৈরিবা ভৈরোদান স্কুল অসি সরকারগী ওইনা য়াম্না নিংথিজনা চলাইবা স্কুল অমনি। হায়রিবা স্কুল অসিগী বিল্ডিং মতিক চানা লৈতবা মরম্না ক্লাস রুম অমদা অঙাংশিং মনিং–মনিং ওম্থোক্লদুনা ক্লাস অনি চৎখরি । হায়রিবা ফিভম অসি সরকারগী মায়কৈদগী অথুবদা দাইরেক্ট ইনোভেটিব ফন্দগী য়েং–শিনবীয়ু হায়খি।

হিরমসিদা এদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা ভৈরোদান স্কুলগী ফিভম অথুবদা য়েংশিল্লগনি । অপুনবগী ওইনা ষ্টেটকী শেন–থুমগী ফিভম ফত্তবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুমকপু ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনদা লুপা ক্রোর ১৬০ পীবিনবা হায়খ্রে। শেনফম অসিনা লাক্লবদি স্কুলশিংগী রিপ্যারিং অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী অৱাৎপা মেনশিনবা ঙমগনি থাজে হায়খি।

অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ শ্যামকুমারনা পুখৎলকখিবা ৱাহং অমদা মণিপুরদা পিঐচইদিনা পায়খৎপা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিংগী মনুংদা স্কিম ১৮০৫ না থবক তৌরি অদুগা ২১ না থবক তৌদ্রে হায়না পিঐচইদি মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্রনা ফোংদোকখি। মখা তানা ফেল ওইরিবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবদা মণিপুরগী চীং অয়ান্বদা দি ফোরেষ্টেসন তৌরকপা মরম্না ঈশিংগী সোর্চ ফংলক্তবদগী হায়রিবা স্কিম ২১ অসি শিথরকখিবনি। অদুগা অতোপ্পা মফমশিংদা পাইপ মচেৎ মচেৎ হোদুনা লৈরিবশিং অসিনা হান্না ঈশিংগী সোর্চ লৈতনা পাইপ তিং–শিল্লম্বদগী মফম কয়াদা হোবা ওইরম্বা য়াই। অদুগা হান্না শিথরুরবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং নৌনা হিঙ্গৎহনবদা ষ্টেটকী ফন্দ মতিক চানা লৈতবা মরম্না খুদোং–চাদবা মায়োক্লরি হায়না মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি।

মখা লাঃ ৫, কলম ৭দা


MSPDCL

OFFICE OF THE MANAGING DIRECTOR
MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED (MSPDCL)
(Regd. Office: Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87 (2), Khwai Bazar, Keishampat, District-Imphal West, Manipur-795001

PUBLIC NOTICE
Dated 26th February, 2014

**No. 1/1/2014-MSPDCL(MD)/Misc:** In order to bridge the Demand-Supply gap in respect of Electrical energy consumption and to provide reliable power supply to all Legal consumers of the State of Manipur, the following steps are hereby initiated:

2. a) Those defaulting consumers who have outstanding dues more than Rs. 3000/-(three thousand only) are hereby advised to approach the concerned Manager (AE) and Deputy General Manager (EE) of the respective Sub-division/Division of Manipur State Power Distribution Company Ltd. for clearance of their outstanding payments. They may avail the facility of payment of outstanding dues in 4 installments. The 1st installment payment shall not be less than 40% of the total outstanding dues and the remaining outstanding payment shall be paid in three equal installments in the subsequent months.

   b) Further those individuals/organizations, tapping energy without proper authorization/ unauthorized consumers shall immediately approach concerned Manager (AE) and Deputy General Manager (EE) of the respective Sub-Division/Division for regularization of those connections with all necessary documents like Patta/any document related to Land ownership, Identification document, Address proof, Photographs etc. The concerned DGMs have been authorized for regularization of such illegal connections wherever feasible and on production of necessary documents. They shall have their unauthorized connection regularized on or before 15th March, 2014, failing which legal action may have to be initiated against those individuals/organization as per "The Electricity Act, 2003".

3. After 15th March, 2014, if any illegal connection is found in existence and not disconnected, the concerned Asst. Lineman/Asst.Manager(SO Gr-II)/Deputy Manager (SO Gr-I) of the Division/Sub-division shall immediately give a written report to the concerned Manager (Asst.Engineer), failing which they shall be held responsible for the existence of such illegal connections in their respective areas of jurisdiction.

Sd/-
**R. Sudhan**
Managing Director,
MSPDCL

SL/B/28





Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

**Minimum support price to farmers more than doubled in the last 10 years**

**Grain production sets new records; rice production increased from 83 to 104 million tonnes and wheat from 68 to 92 million tonnes**

**Agricultural exports increased by more than seven fold to ₹ 1,74,194 crore**

**More than 11 crore Kisan Credit Cards issued to farmers**

भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

davp 22111/13/0298/1314